আই দব্লিয়ু এফ ৱর্ল্ড কপকী গ্রুপ বিদা মিরাবাই চনুনা ৩শুবা মফম কনবা ঙমখ্রে

ফুকেট, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী):

থাইলেন্দদা হৌজিক পাঙথোক্লিবা আই দব্লিয়ু এফ ৱর্ল্ড কপতা নুপীগী কেজি ৪৯গী গ্রুপ বিদা টোকিও ওলিম্পিক্স সিলভর মেদলিষ্ট মিরাবাই চনুনা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখিবগা লোয়নননা পেরিস ওলিম্পিক্সতা মহাক্কী মীৎয়েং হান্নদগী হেন্না নকশিল্লক্লি।

থা ৬ লোম মশাগী অশোকপা অমনা মরম ওইরগা শান্নবদগী লাপথোক্লা লৈরুরবা মতুং মহাক হন্দক্তা শান্নবগী লম্সিদা অমুক হল্লকখিবনি। মহাক্না আই দব্লিয়ু এফ ৱর্ল্ড কপতা পূন্না কেজি ১৮৪ (কেজি ৮১ + কেজি ১০৩) থাঙ্গৎখি। টুর্নামেন্ট অসিদা মহাক্না অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখিবা অসিনা মরম ওইরগা পেরিস ওলিম্পিক্সতা মহাক্কী মফম অমা শোয়দনা কনবা ঙমগনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈনরি।

অমরোমদা, হন্দক্কী ইভেন্ট অসি মায় পাক্লা মিরাবাই চনুনা শরুক য়াখিবগা লোয়নননা পেরিস ওলিম্পিক্সতা ক্বালিফাইদ ওইনবগীদমক মহাক্না মথৌ তাবা টুর্নামেন্ট খূদিংমক শরুক য়াখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা মহাক মখা তানা অতোপ্পা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াদ্রবসু পেরিস ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাইদ ওইরে। কুমজা ২০১৭কী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অসি নুপীগী কেজি ৪৯গী ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসন রেঙ্কিং (ও ক্যু আর)দা চাইনাগী জিয়ান হুই হুৱাগী মথংদা মহাক্না অনীশুবদা লৈরি। পেরিস ওলিম্পিক্সকীদমক ওফিসল ওইনা হৌজিকমক মিরাবাই চনু ক্বালিফাইদ ওইরে হায়না লাউথোক্ত্রবসু ৱর্ল্ড কপ অসি হেক লোইবগা ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসন রেঙ্কিং অপদেট তৌরক্লগনি। মদুগী মতুংইন্না ৱেথ কেটেগোরি খূদিংমক্কী ওইনা তোপ টেনগী মনুং চন্না লৈবা লিফ্টরশিং পেরিস ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাইদ ওইগনি।

মিরাবাই চনুনা মমাং চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াখি। মদুদা মহাক নীংজেনগী শরুক্তা শোকখিবনি। মহাক্কী অশোকপনা মরম ওইরগা মহাক্না হান্না থাঙ্গৎখিবা মশাগী রেকোর্দ অদু য়ৌনা হৌজিকমক্কী ওইনা থাঙ্গৎপা ঙমদ্রবসু কন্না হোৎনদুনা হান্নগী ফীভমদা নকশিল্লক্লি। মশাগী চহী ২৯ রোম শুরবী লিফ্টর অসিনা মশাগী ওইনা স্নেটচতা কেজি ৮৮ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১১৯ থাঙ্গৎপা ঙমখিবনি। মহাক্না হান্না থাঙ্গৎপা ঙমখিবা অরূম্বা অদুদগী হেন্না থাঙ্গৎপা ঙমগনি হায়বসি খূদিংমক্কী থাজবনি।

পনবা য়াবদি, মিরাবাই চনুনা পেরিস ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা লিফ্টর ওইরি। হন্দক্কী অসি থারগা মিরাবাইনা ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াবা ঙন্না অসি অহুল্লকশুবা ওইগদৌরিবনি।

সেরি এ : বোলোগনানা সেলরনিটান মায়থীবা পীখ্রে, কেগ্লিয়ারি অমসুং ভেরোনা দ্রো চৎখ্রে

রোম, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী):

ইটলিদা হৌজিক চথরিবা সেরি এগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা বোলোগনানা সেলরনিটান মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা কেগ্লিয়ারি অমসুং ভেরোনা দ্রো চৎখ্রে।

সেরি এগী ওইনা ঙসি বোলোগনা অমসুং সেলরনিটান অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা বোলোগনাগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগী খূদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী ১৪ অমসুং ৪৪শুবা মিনটতা বোলোগনাগী রিকার্দো ওর্সোলিনি অমসুং এলেক্সিস সিটেমেকর্স্না থংন-থংননা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক সেলরনিটানগী ওইনদি অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী বোলোগনানা পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবদা সেলরনিটানগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না শান্নবা হৌরকখি। অদুমওইনমক বোলোগনাগী দিফেন্স কা-হেন্না লিংখিবনা মরম ওইরগা সেলরনিটানগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং অরেম্বদা তাখি। অনীশুবা হাফকী ওইনা বোলোগনানা দিফেন্সতা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা শান্নরবসু বোল পায়বগী চাংদি অদুম্মক বোলোগনাগী শান্নরোয়শিংনা হেনখিবদগী অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা মখা তানা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ৯২ শুবা মিনটতা চারলামপোস লিকোগ্যানিসনা চনখিবনি। অদুবু সেলরনিটানগী ওইনা মেটচ লোইবা ফাওবা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু বোলোগনানা পাঞ্জল ৩-০দা লাকচনা থোইখিবনি।

অমরোমদা, কেগ্লিয়ারি অমসুং ভেরোনাগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্না পাঞ্জল অমমম্ চন্নদুনা দ্রো চৎখিবনি। কেগ্লিয়ারিগী পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী ৭৪শুবা মিনটতা ইব্রাহিম সুলেমানানা অদুগা ভেরোনাগী পাঞ্জল অদুনা ৩০শুবা মিনটতা ফেদেরিকো বোনাজোলিনা চনখিবনি।

ট্রায়ল কম সেলেক্সন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস):

মহারাষ্ট্রগী মুম্বাই হেন্দবোল একাদেমিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭লক শুবা মিনি নেসনল হেন্দবোল চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা টিম শেম্নবগীদমক ট্রায়ল কম সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর হেন্দবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী এসোসিএসন অসিগী মখাদা লৈরিবা য়ুনিটশিং/ক্লবশিংদা খঙহল্লক্লি। এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা সর্ক্যুলর অমগী মতুংইন্না ০১-০১-২০১১গী মতুংদা পোকপা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ২১দগী হৌরগা ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। মরম অদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা থা অসিগী ৫গী অয়ূক পুং ৫দগী ১১ ফাওবদা এসোসিএসনগী ওফিসতা লাক্লবা খঙহল্লক্লি।

নেসনল কোচিং কেম্পতা য়াওগদবশিংগী মমিং লাউথোকপদা মণিপুরগী বিচু খারিবম অমসুং থৌদাম সুমন য়াওরে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী):

ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৭ ফাওবা বেঙ্গলুরুগী সাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স হোক্কী টিমগী নেসনল কোচিং কেম্পতা শরুক য়াগদবশিংগী মমিং লাউথোকপদা মণিপুরদগী থৌদাম সুমন অমসুং বিচু খারিবমগী মমিং য়াওরক্লে।

হোক্কী ইন্দিয়ানা নেসনল কোচিং কেম্প অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় ৬০গী মমিং লাউথোকপদা মণিপুরদগী শান্নরোয় অনী অসি য়াওরকখিবনি। থা অসিগী ৬ অমসুং ৭তা নেসনল কোচিং কেম্প অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয় ৬০ অদুদগী শান্নরোয় ৩৩ মখা তাবা কোচিংগীদমক খনবগা লোয়নননা ইন্টরনেসনল এক্সপোজর টুরশিংদা শরুক য়াহনগদৌরি।

পুনেদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা সিনিয়র ৱিমেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপতা উৎখিবা পর্ফোর্মেন্সশিংগী মতুংইন্না কোচিং কেম্পতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদু খনখিবনি। খল্লবা শান্নরোয়শিং অসি কেম্প মনুংদা য়াম্না কুপ্না মোনিটর তৌবগা লোয়নননা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স টিম শেম্নবগীদমক মখা তানা অমুক সেলেক্সন তৌগদৌরিবনি। কেম্পকীদমক খল্লবা শান্নরোয়শিং অসিনা নুপী হোক্কী টিমগী কোচ অনকিথা বি এসতা মতম চানা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

কেম্পকীদমক খল্লকখ্রবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা গোলকীপরশিংদা সবিতা, সোনাল মিন্স, বিচু খারিবম, মাধুরি কিন্দা, বন্সারি সোলানকি, প্রোমিলা কে আর, রাময়া কুর্মাপু; দিফেন্দরশিংদা উদিতা, নিকি প্রধান, রোপনি কুমারী, লানলুনমাৱি, প্রিতি, থৌদাম সুমন, অঞ্জনা দুংদুং, মিসি য়াদব; মিদফিল্ডরশিংদা মোনিকা, সোমিকা, নেহা, মহিমা চৌধরি, নিসিয়া জ্যোটি, সলিমা টেটে, মনাস্রি সেদাগে, অক্সটা অবাসো ধেকালে, লালরুৱাট ফেলি, মেরিনা লালরামহাকি, প্রাব্লিন কোর, মনিশা চৌহান, ইশিকা চৌধরি, রিতানিনা শাহু, জ্যোটি সাত্রি, অজমিনা কুজুর, সুজাতা কুজুর, ক্রুথিকা এস পি, মহিমা টেটে, মমতা ভট, ইদুলা জ্যোথি, অনিশা দুংদুং, ভাবনা খাদে, মেক্সিমা টোপো; ফোরৱার্দশিংদা দিপিকা, শর্মিলা দেবী, নবনিট কোর, দিপিকা সোরেং, সঙ্গিতা কুমারী, ভৈস্নভি বিথল ফলকে, রুটাজা দাদাসো পিশাল, লালরিনদিকি, লালরেমসিয়ামি, ভর্টিকা রাৱট, প্রিটি দুবে, রিটিকা সিংহ, মারিয়ানা কুজুর, মমতাজ খান, টরনপ্রিট কোর, বালজিৎ কোর, বন্দনা কটারিয়া, দিপি মোনিকা টোপো, কাজল এস অটপরকর অমসুং মঞ্জু চৌরসিয়ানি।

[illegible] / [illegible]

PENSION LOAN / VEHICLE LOAN AVAILABLE

- # Manipur State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।
- # থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী Interest তা খূদোংচাবা পীজগনি।
- # Loan লৌবিবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং ATM Card লোয়নবীরক্কদবনি।
- # 2/Wheeler, 3/4 Wheeler, E-Rickshaw গী Loan সু ফংবীগনি।

Please Contact : **M.M. Singh**
L.G. Motors Building
Khagempalli Imphal, Manipur, # 9383154086

HL-B/8632/13/3-17/5(alt)

[illegible]

CHANAKYA
IAS ACADEMY

3 Decades of Excellence, Extraordinary Results Every Year, 5000+ Selections in IAS, IFS, IPS and other Civil Services so far...

DELHI'S Prestigious Institute,
Now also in IMPHAL

A Golden Opportunity for the students of Graduation 1st year & above

Free Seminar on
"How to Crack IAS Exam"
by SUCCESS GURU A K MISHRA (Founder Chairman - Chanakya IAS Academy)

15th April, 2024 11:30 AM onwards
Seminar Venue : Chanakya IAS Academy Imphal Centre

IAS First Batch: 10th May, 2024
Registration Open For Regular & Weekend Batches
Limited Seats Available

CHANAKYA
IAS ACADEMY
Nurturing Leaders of Tomorrow
SINCE-1993

For Details, Call:
6909907134

Imphal Center : South Babupara, Near Babupara Durga Mandir
(Airtel Building) Imphal West - 795001

Toll Free No: 1800 274 5005 | www.chanakyaiasacademy.com |

HL-B/8669/31/3-30/4

জানিক সিন্নরনা মিয়ামি ওপনগী টাইটল লৌখ্রে

ফ্লোরিদা, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী):

য়ু এসকী ফ্লোরিদাদা চথুদুনা লাকখিবা মিয়ামি ওপনগী মেন্স সিঙ্গলসকী ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা জানিক সিন্নরনা মালেমগী ১১শুবা মফম কন্দুনা লৈরিবা গ্রিগোর দিমিট্রোভ মায়থীবা পীরল্লগা মিয়ামি ওপনগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং সিন্নর অমসুং দিমিট্রোভকী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা সিন্নরনা দিমিট্রোভপু ষ্ট্রেট সেট ৬-৩, ৬-১দা মায়থীবা পীরল্লগা মিয়ামি ওপনগী টাইটল লৌখিবনি। সিজন অসিগী ওইনা সিন্নর মমিং লৈরবা টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নবা অমা ওইরক্লি। হন্দক পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদসু সিন্নরনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। ঙরাং মহাক্না দিমিট্রোভ থোইবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা অহানবা ওইনা মিয়ামি ওপনগী টাইটল সিন্নরনা লৌবা ঙমখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০২১ অমসুং ২৩গী ওইনা সিন্নর মিয়ামি ওপনগী রন্নর্স অপ তাদুনা লৈহৌখিবনি।

মমাং চহীদা মহাক্না দানিএল মেদভেদেভকী মখূৎতা ফাইনেল মেটচতা মায়থীবা নংহৌখিবনি। মশাগী চহী ২২ রোম শুরবা সিন্নরনা মায় পাক্লবা মতুং ফোঙদোকখিবদা, মিয়ামি ওপনগী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অসি হন্দক্কা থারগা অহুল্লক শুরে। অহুল্লকশুবদা মহাক মায় পাকপা ঙমদুনা মিয়ামি ওপনগী ট্রোফি থাঙ্গৎপা ফংবা অসিমক মহাক্কী মঙলানশিংগী মনুংদা অমনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

[illegible]

[illegible]

Likla
Likla
MANGO
DRINK
₹10 ONLY
READY TO SERVE FRUIT DRINK
NET QUANTITY 160ml
[illegible]
Promote
Local Farmers
Support
Local Industries
Likla PINEAPPLE DRINK
Likla MANGO DRINK
Likla
Likla PASSION FRUIT DRINK
Likla
Thangjam Agro
HL-B/8592/1/3-29/3 (alt)

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 1090

IM Yovann Gatineau (2375) - Daniel Girsh (2110)
Titled Tue 11th Oct Late chess.com INT (5), 2022.10.11

1.Nf3 d5 2.e3 Nf6 3.c4 e6 4.b3 Be7 5.Bb2 O-O
6.Rg1 c5 7.g4 Nc6 8.g5 Ne4 9.h4 d4 10.Bd3 Nd6
11.exd4 cxd4 12.Nxd4 Nxd4 13.Bxd4 Nxc4 14. ...

QUESTION :
White to win

Puzzle 1089 Solution :
22. ...**Rxc4 23. Rxc4 Nh3+ 24.Kh1 Nxf2+** The black knight deflects White's rook away from protecting the square d1. Opening the line from d1 to h1. **25.Rxf2 Qd1+ 26.Qe1 Qxe1+ 0-1**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com